## এডিটোরিয়েল

### ৱাত্ত–পাদবা পীনবীরন্নবা থৌনিজহৌসি

*ইংরাজি কুমজা ২০১৭ হয়েং নোংমোইজিং নুমিত্তা লোয়রগনি। লোইরমদাই পূংজাদা ইমা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরমসু ঐখোয় পূন্নমক্কী মাঙদা লেপলরে। ঙসি ৱাকচিং ১২ নি পানবা দিসেম্বর ৩০ থাংজ নুমিত্তা ইমা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম য়ুমথোং খুদিংদা অমদি অপূনবগী ওইনা মফমকয়াদা পাঙথোক্লগদৌরিবা অসিদা ঐখোয় পূন্নমক্না পুকচেল তিংনা, থম্মোয় শেংনা খেন্নবা থমদনা চাকহোং–ঙাহোংবা, ৱাত্ত–পাদবা হায়বদু পীনবীরন্নবা থৌনিজহৌসি। কুমজা অসিগী ওইনদি ইমা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকপসি ঙসিগী অসিনা অনীরক শুবনি। কুমজা অসিগী অহৌবা থা জানুৱারি ৯, ৱাকচিং ১২ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইমা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্লখিবনি। কুমজা অসিমক্তদা অনীরক পাঙথোকপনা লাক্কদৌরিবা ইংরাজি কুমজা ২০১৮ দদি ইমাগী ইরাৎ থৌনি থৌরম ফংলরোই ৱাকচিং ১২ নি পানবা কুমজা অসিদা অমুক লাক্লরোই। লমদম অসিদা অইং অশাগী খলনা পীখিবা শাফু, থেংনখিবা মায়োক্লখিবা অৱাবা খুদোংথীবা কয়া অদু খঙমীন্নদুনা ইমাগী ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকমীন্নবা অমদি পুকচেল তিংনা অমকপা অমত্তা য়াওদনা ৱাত্ত–পাদবা হায়বদু পীনবীরন্নবা থৌনিজহৌবনা ঐখোয় পূন্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইরসনু। লোয়ননা ইমাগী ইরাৎ থৌরমগা মরি লৈননা মীয়ামদা হরাও নুংঙাই য়াইফ পাউজেলসু পীজরি। পূন্নমক্না লৌবিগনি হায়বগী থাজবসু থমজরি।*

*ঐখোয় পূন্নমক্না খঙনরিবনি লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা লোয়রগদবা কুমজা ২০১৭ দা হনজিন–হনজিন ঈশিং ঈচাও থোকখিবা, কুমগী মহৈ–মরোং ঙায়োক ফার্ম কয়া মাঙতাকহনখিবনা লৌমী মীয়ামনা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া নংখি। মীয়ামসু মদুগী চৈথেং ফংখি। অমরোমদা অমুক ৱানা হোৎনদুনা কুম অসিগী চাথোক খরদা ওইরবসু ফংনবা হোৎনরকপদা হার মতমচানা ফংদবগী চৈথেং লৌমীশিংনা মায়োক্লখি।অমুকসু মহৈ লোকলমদাইদা মফম খরদা পৈশিন্দুনা থম্বা ফৌবে মৈ থাদোকপীরম্বগী থৌদোক কয়াসু থেংনখ্রে। মীওইবগী মীনুংশি য়াওদবা তৌহৌদবা ফৌবে মৈথাবগী থৌদোক অদু কনানা করিদগী তৌখিবনো হায়বদুগী লংলা লংজিল অমত্তা নাখে শেংনা পুথোকপা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা অৱাবা কয়া অসিনা কুম অমগী ফংফম থোকপা চাকথুংগী চাং হস্থরগনি হায়না সরকারগী মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি। অদুগা থেংনরক্কদবা অৱাবা কয়াদগী ঙাকথোকপীনবা, ৱাত্ত–পাদবা চাকহোং ঙাহোংবা লমদম অমা ওইহবীনবা তাইবং শেমবা মপু অমদি ইমা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম থম্মোয় শেংনা পাঙথোকমীন্নদুনা থৌনিজহৌসি।*

*অমরোমদা অমুক য়া কাথোক্তুনা থাদরকপা ঙাইদুনা লৈরগা তাইবং শেম্বা মপু অমদি ইমা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি পাঙথোক্তুনা কুবিনবা থৌনিজবা ঙাক্তনসু কান্নরোই। ঐখোয়সু শুবা নোম্বা কনবা তাই ৱার্ক কলচর নীংথিনা লৈনবা তাই, লোন্না ফৌবে মৈ থাদোকপনচিংবা মীনুংশি য়াউদবা থবক থৌওং তৌনদবা তাই। হৈন–হৈনবা লম্বীদা শুমিন্নবা নোম্মীন্নবা, অৱাং–অপা অরৈ–লৈত মতেং পাংনবা তঙাই ফদে। মদুদা ইস্বরনসু শোয়দনা থৌজানবীগনি। খূৎ য়াওদনা ইরাৎ থৌনি পাঙথোক্লগা থৌজাল নিবনদি কান্নরোই। ইশ্বরনসু য়ারোই হায়বসিসু পূন্নমক্না খঙলিবনি। অদুনা ঐখোয় লাইনিং লাইশোনসু পাঙথোকসি, মপুগী শিন্থাসু মায় পাক্লবা হেক ঙস্বমখে হোৎনসি। অসিতনা পূন্নমক্কি য়াইফবা ওইগনি।*

*লৈঙাক থৌদা পুরিবা অঙম অথৌ, অখং অহৈশিংনসু মীয়ামগী অৱাবা খুদোং চাদবা কয়া খঙনা থবক তৌবা তাই। চিননা পংলাও লাওরগা, থৌশিল পোরম খরা য়াৎলগা য়ারোই। য়াৎলিবা থৌশিল পোরম অদুগী কান্নবা হকথেংননা মীয়ামদা ফংহননবা হোৎনগদবনি, মীয়ামনসু অফবা থৌশিল অমদি পোরমদা শৌগৎকদবনি। চিনগা খূৎকা মান্নহনগদবনি। ইখূৎ লাম্বোক্লগা মীখুৎ লাথোকই হায়বা ইপা ইপুগী ৱাহৈ মতম পূন্নমক্তা নিংশিংসি। অদুতদা ইমা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকপগী মহয় শোয়দনা ফংগনি।*

## এডিটরদা থারকপা

### মাংজৌননা চেকশিনমিন্নহৌবা চুমগনি

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*হৌজিক ইং ২০১৭ লোইগদবসি শুপ্নতগী নোংমা হয়েং হায়রনি অদুদগী অমুক চহী হৌবা হায়দুনা নোংঙানবা অমরোমদনা নোংমাইজিং অহিং নোংয়াই পুং ১২.০০ মতুংদগীদি চহী হৌখরে। অমরোমদা মৈতৈ–মীতৈশিংগী চহী হৌখিবসি চৈরাওবা অসিনা ওইরিবনি। মসি মৈতৈ–মীতৈ লাইনিং অমদি হিন্দু লাইনিং থাজবশিংগী ওইনা এপ্রিল থাদা ওইরিবনি। তশেংনা চহী লোইবগী মতম হায়রগসু চৈরাওবা নুমিৎ নোংমা ৱাংলিঙৈ অসিমক চহী লোইবনি হায়বা য়ারে। অমরোমদনা শাজিবু নোংমা পানবদা চহী লাওবা চৈরাওবসি য়ান্না পাকশন্না চথ্নরকপসু য়াওদবা নত্তে। অদুগুম্বা নুমিৎশিংদুদসু ঈশ্বরগী মফমদা মনা মশিং কয়া অমা লাইনিংথৌ লৈমরেল য়ূমগী অকোয়বা থোঙ্গাল অমদি মপান্দা অথোংবশিং কখোকপা পাঙথোকলি। কনাগুম্বনসু ঙাশিং থোংদুনা থৌরম পাংথোক্লবগী চৎনবিশিং ঙসি ঙসিমক লমদমসিদা চৎনরি। হৌজিক চহী লোইবগী হৌবগী চহী খুদিংগী ডিসেম্বর ৩১ অমদি জনুৱারি ১ না লোইবা হৌবগী ওইরিবসি মপান লমগী ওইরিবনি। নুমিৎ অসিদা মৈতৈ–মীতৈশিংগী চৈরাওবা –চরক পুজা হায়নরিবসিগী থৌওংগুম্না লাইগী তিনগী তাইবং শেম্বা মপুগীদমক অথেনপোৎ লাংনদুনা কৎনবসু নত্তে। চুম্নতগী নুমিদাং অথেংবদা নহা কয়া লাউখোংবা নিম্বা তৌবা ওইনা উরিবসিনি। লাইবক থিবদি নহাশিংনা নিষা শিজন্নদুনা চথ্নরকইবা কয়া অমা য়াওশিল্লকপা, নিষা শিজন্নরগা গাড়ী কন্না কন্না থৌবা অরানবা ৱাহৈ শিজন্নদুনা লাও খোংবা অহৌবা বম্বুলা থাবা থৌওংশিং কন্না চথ্নরকইবসিনি। লমদমসিদা থোকইবা এক্সিডেন্ট কয়া অসিদা নত্ত–নত্তবা থৌদোক কয়া অমদগীসু অশি অনা কয়া য়াওরকপদা অশিবতনা মাংজৈ। লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ মশেল নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা ঙমদবদগী লাইবক থিবা থৌদোকশিং কয়া লৈখ্রবনি। ঙসিগী লৈঙাক্লোইশিংনা মতম চানা চানা ইনখৎলকইবা নহারোলশিংবু অরেম্বদা লান্না নিষানা লমজিংহনখিদনবা থৌরাংশিং অথুবা মতমদা পায়খৎহন্নিংই। লমদমসিদা পাংথোকলিবা হরাও কুম্মৈ মফমশিং কয়াদা নত্ত–নত্তবা নিষা কয়া শিজন্নবগী থৌওংশিং লৈঙাক্না চেকশিন্নীহৌবা চুমগনি। ৱারকপিনবা য়াওদনা মশা ফনা মতিক চাবা মীয়ান্না ইকায় খুম্নবা মীশক অমা ওইরকপা হায়বা ৱাফমসিদি লমদমসিগী নহাশিংদদি খরা তাংনা থোক্লগনি। পূন্নমক য়াইফনবা সরকারগী মাইকৈ কয়াদগী নিষা শিজন্নদুনা লাও খোংবা গাড়ী কন্না কন্না থৌরিবা জ্ঞান য়াওদবশিংবু থিংবিহৌসি।*

*অদোমগী,*
*সি আইচ বিরেন*
*ইম্ফাল*

# মণিপুরীশিংগী পুন্সীরোলদা থাঙ অমসুং তাগী মফম

*ডা. ৱাংখৈময়ূম বুদ্ধ সিংহ*

ঙসিদি জগোইগী মওংদা মৈতৈ থাঙ অমসুং তা মালেম শীনবা থুংনা শকখঙনরক্লে। তশেংনমক জগোইনা মৈতৈগী মশক তাকপগুম থাঙ–তানসু মশক তাকপা ঙমই। অখঙ অহৈশিংনা মুন্না কুপ্না য়েংশিল্লবদি থাঙ তাগী মহৈ অসি জগোইদগী হেন্না লুবা মহৈনি হায়বা উগনি। নিপা থোকপা হকচাংগী ফিদুপ ফিবম উৎলকপদা থাঙ–তাগী খোঙফম, খূৎহাই শাথেক ফিদুপনচিংবা অসিদগী অহেনবা অমা লৈতে। খূৎলাই পায়দুনা অকক্লবা শাথেক কাঙলোন খরগী মখাদা মীয়াম মমাঙদা পুথোকপদা অউবশিংনা অঙকপা অমসুং তুজুংবা ফাউদনিঙাই লৈতে, শাথেক কাঙলোন খজিত্তং শোয়বদা শরূক য়ারিবশিংনা শোক্লিঙাই অমসুং থৱায় ফাওবা মাঙনিংঙাই ওই। মীয়ামগী মমাঙদা পুথোক্লরিবা থাঙ–তাগী ফিদুপশিং অসি শন্না থাঙ–তাগী জগোইনি হায়না খঙনরে।

মৈতৈশিংনা মখোয়গী হিস্তরী থন্নবা লাক্লবদা ১৮৯১ ফাওবদা হায়রিবা মহৈ অসিনা চাউরবা শরূক অমা য়ারকই। থাঙ–তাগী মহৈ অসিমক্লসু য়েক্লবা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংবু নমথনবা হোৎনবদা শীজিনখিবতা নত্তনা অঙৌবা সাহেবশিং ফাওবদা চাউখৎলবা মতমগী খূৎলাই মতীকচানা অমদি হেন্না লৈরে খঙলবা ফাওবদা মায়োক য়াবদা শীজিন্নখি। মৈতৈশিংগী ঈদা মরৈবাকপু নুংশিবগী ঈচেল চেল্লী হায়বসি ময়েক শেংনা উৎপা ঙমখিবসিমক মৈতৈগী অকল–অথৌশিংগী মতিক মঙমনি। মৈতৈ ঈদা থৌনাফবা লান্মী অমগী ঈ চেল্লী হায়বগী খুদমনি।

অরিবা মৈতৈ ময়েক্তা ইবা খূৎই লাইরিক কয়াদা মরুওইনা ‘চায়নরোল’ কৌবা খূৎই লাইরিকতা ঙল্লিঙৈ মতমদা মৈতৈ কাংলূপশিংগী মরক্তা মথৌনা ফুদোক্লা মায়োক য়ানরম্বগী চৎনবী ময়েকশেংনা উবা ফংই। শা–লানগী মতমদা ঙাকথোক্লবা অমদি লান্দানবা শীজিন্নবা শাথিরবা মহৈ অসি হৌজিক মতমগী ফম্বাকতা মীয়ামগী মমাঙদা উৎলকপদা মার্সিয়েল আর্টস হায়না লৌনরক্লে।

শরিৎ–শরাককা ‘থাঙ অমসুং তা’ গা য়ান্না মরি লৈনৈ..। থাঙ অমসুং তাগসু থানবা য়াদবা মরী লৈনৈ। থাঙ তাগী মহৈ হৈরবা অখঙ অহৈশিংনা অনীমক্কী মহৈ থাদোক্লবা য়াদে, অনীমক হৈগদবনী হায়না লৌই। থাঙগী ৱাফম পল্লকপদা তাগী ৱাফমসু তঙাইফদনা য়াওরকই, থাঙ তা হায়না খঙনরকই। খোঙ অমসুং খূৎকী হৈশিংবা তঙাইফদবদু তা অমসুং থাঙ অনীনা অমগা অমগা মরী থন্নদুনা মপূং ফাহল্লি। অখঙ অহৈ অমগী ৱাহৈদা অসুন্না ফোংদোকই–

"While co-ordinated hand work and foot-work are essential in both of them, more emphasis is given on ... ... ... hands or skill in hand-works in the case of Thang and on the skilful movement of legs such as jumps and kicks in the case of Ta. In view of them interdependence and functional inseparabity handy is a learned teacher in Thang or familiar with the techniques of Ta and vice-versa, though he may be more specialised in either of them.

থাঙ হৈবা নিপা অমনা তাসু শোয়দনা হৈগনি হায়বসি মথক্কী ৱাফম অসিনা তশেংলে হায়বা তাকই। অদুবু থাঙতমক হৈরগা খোঙগী হৈশিংবা পূমৱাৎ ৱাৎপগুম উবদি লানগনি অমসুং তাতমক হৈরগা খূৎকী হৈশিংবা ৱাৎকনী হায়বসিসু চুমফম থোক্তে। থাঙ হাইবা মীগী খোঙগী খোঙফম মরাং কায়না লৈ, তা খৌশাবা মীগীসু খূৎকী খূৎলোন লৈ। খোঙফমক শিংলগা তা খৌশাবা, খূৎতমক শিংলগা থাঙ হাইবা মফুঙ ফাদে। থাঙগী খোঙফম কয়া য়ান্না কুপ্পগে হায়বসি থাঙগী মরমদা খঙ হৈরবশিংনা ইবা লাইরিক অমতং লৌখৎতুনা নৈনবদা উবা ফংগনি। থাঙ–তাগী মরমদা মমিং লৈরবা অখঙ অহৈ অমগী ৱাফমদা তা হৈবা অমগা থাঙ হৈবা অমগা থেংনবা তারবদি মরাইবক লৈবা অমনা ঙমই, অনী অসি হেঞ্জিন্নবা য়াদে অদুগা লান্দা কান্নবদি থাঙনা হেল্লি, মরমদি থাঙদি তরা লাক্লবসু চাম লাক্লবসু পাবা ঙমই, অদুগা তাদি মায়োক্লবা খরতা পাবা য়াই অয়াম্বদি পাবা ঙমদে হায়না ফোংদোকই। তশেংনমক অনিমক হৈরবদগী হেন্দোক্তুনা অতোপ্পা মহৈশিংসু হৈজিনবা হায়বসি অথোইবা পোৎনি। থাঙতমক হৈরগসু নীংথিনা হৈরবদি মী অমনা মশা লিৎচবা ঙমই হায়বগী খুদমদি মরাং কায়না ৱারী লাইরিক্তা ফংই। থাঙ মশানা অদুমক মপুঙ ফাজে, অদুগা তাসু মশানা অদুমক মপুঙ ফাজে। থাঙদগী তানা হেন্না লাকচবসি শা তানবনি হায়বা ৱাফম থেংনৈ, চৌরজিৎ, মার্জিৎনা নিংথৌ ফম মুন্নবদা লৈবাক্না মখোয়না চায়নহনবদা নুমিৎ ৭ নি চায়নখি। চৌরজিৎনা তা অমসুং মারজিৎনা থাঙ পায়খি হায়নবা লৈ।

মৈতৈগী থাঙ তাগী ৱাফম নৈনরকপদা থেংগৌ (থেংকৌ) হায়বা মহৈ অমা তোয়না শীজিন্নরম্বগী ৱাফম থেংনৈ। থাঙগী মথৌ, তাগী মথৌ, তারোন, থাঙলোন পূন্নমক

> থাঙ–তাগী মহৈ অসিমক্লসু য়েক্লবা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংবু নমথনবা হোৎনবদা শীজিনখিবতা নত্তনা অঙৌবা সাহেবশিং ফাওবদা চাউখৎলবা মতমগী খূৎলাই মতীকচানা অমদি হেন্না লৈরে খঙলবা ফাওবদা মায়োক য়াবদা শীজিন্নখি। মৈতৈশিংগী ঈদা মরৈবাকপু নুংশিবগী ঈচেল চেল্লী হায়বসি ময়েক শেংনা উৎপা ঙমখিবসিমক মৈতৈগী অকল–অথৌশিংগী মতিক মঙমনি। মৈতৈ ঈদা থৌনাফবা লান্মী অমগী ঈ চেল্লী হায়বগী খুদমনি।

থেঙ্গৌদগী তোঙান তোঙানবা মশক মমিং খাইদোক্তুনা শীজিন্নরকই, শীজিন্নরকপনা মরম ওইদুনা মৈতৈগী অথৌবা অহল লমন্নশিংনা থাঙ অমসুং তানা লৈবাক ঙাক্তুনা য়েক্লবশিংবু খুদুম চন্নরকখি। জিসনা শর্ম্মগী ৱাফমদা মমাঙঙৈদদি মী শিরবা মতমদা থেঙ্গৌগী খোঙলোন্না শোরাৎ শোল্লি ঈশ্বর ফংনবগী লম্বীদসু য়ান্না মরুওইনা শীজিন্নরম্মী থেঙ্গৌগা থাঙ তাগা য়ান্না নক্লনা লোয়নদুনা লৈবনা থাঙ–তাগী হৌরকফম থেঙ্গৌনি লৌনৈ।

থাঙ তাগী হৌরকফম ওইরিবা থেঙ্গৌ অসি লাইনা লৈশেম্বা মতমদগী হৌনা লৈরকই হায়বা ৱাফমমীওই অয়াম্বনা য়ানৈ। লৈশেম্বা মতমদা লাইশিংনা থেঙ্গৌ শাখিবদুনা জগোইগী হৌরকফমনি হায়না থাঙ–তাগী অখঙ–অহৈশিংনা লৌই। তাইবঙ মপুনা মচা অশিবদা মপু মাগী মচিন কাথোক্তুনা শকওং–শকতম উত্তুনা লৈশেমহনখিবগী ৱারী পুদিন, লৈথক লৈখারোল, লৈশেমলোন্নচিংবা পুয়াদা য়াওই। অশিবনা থেঙ্গৌ শাদুনা লৈশেমখিবদু পুদিল ৱাফ মপল্লদুনা অসুমনা ফোংদোকপা থেংনৈ।–

"The Supreme lord, being desirous of creating the Universe instructed his son Asiba to create the earth. But he was at a loss as to how the work was to be started. The lord, there upon opened His mouth and revealed through it the very process of creation, Asiba accordingly, began to create the earth by performing thengou (a specific sword and spear dance)- Pudil (ms.)

লৈশেম্বগী মপূং ফাহন্নবা অশিবনা লাইবুংথৌ মাপল অমসুং লাইনুরা মাপল পুথোক্তুনা মতেং পাংহনখি। লৈশেমবা মপুঙ ফাহন্নবা লাইবুংথৌ মাপলনা শাখিবা থেঙ্গৌ মাপলনি। ‘থেংগৌরোল’ হায়বা পুয়াদা লাইশিংনা লৈশেম্বদা শাখিবা থেঙ্গৌশিং অসিগী মরম পাকশন্না ইরি। লৈপাক্লা খঙনরিবসু মরুওইনা থেঙ্গৌ মাপলতনি। অহল–লমনশিংনদি অতোপ্পা মখা থাবা থেঙ্গৌরোন কয়াসু মাগী মাগী হৈনবীদা শীজিন্নরম্বগী মওং লৈ হায়নবসু য়াওই। মপুঙওইনা লৈরিবা থেঙ্গৌরোল মাপল অসি করন্না কৌরকলিবনো হায়বসি থেঙ্গৌ শাবগী মওংদগীনি হায়বদি উবা ফংই। অদুগা মফম মতম থবক থৌরমগী মতুংইন্না শানিংবা থেঙ্গৌ শাবা য়াদে। ‘‘শাগল কাঙখৎলগা ফন্দোক্লা খূৎ হাইবা য়েৎলোমদা হাইরগা উপ্পা লয়বা ওইরোমদা হাইরগা লোংনা লয়বা চোংথোক চোংশিন নেৎপা পাফনগী মথেক্তা চোংবা খোঙথাং কায়দনা মথং মনাউ নাইনা চোংবা অসিবু চোইরিক থেঙ্গৌ কৌই। থেঙ্গৌ মখলশিংবু মখাগী মওং অসুন্না ফোংদোকপা থেংনৈ–

কাও কাওনা নেৎলকই হায়দুনা অকাও থেংগৌ কৌই। চোঙনা চোঙনা নেৎশিল্লকই হায়দুনা লৈফন থেংগৌ কৌখি। চোঙথোকচোংশিন লৈনা লৈনা নেৎতনা লাকপনা নোঙফল থেংগৌ কৌখি। সিক্লা সিক্লা নেৎতনা লাকপনা লৈকক থেংগৌ কৌখি। চোংথোক চোংশিন নিক্লা নিক্লা নেৎতনা লাকপনা লৈনেৎ থেঙ্গৌ, কৌই চোং চোংনা নিক্লা নিক্লা নেৎতনা লাকপনা অতান থেংগৌ কৌই। চোংসিন চোংসিন্না নিক্লা নিক্লা নেৎতনা লাকই হায়দনা লাংকক থেংগৌ কৌখি। থেংগৌ অখন্নবা মীওই খরতদা লৈবা মহৈনী খোঙলোন অমসুং খূৎলোনগী কায়াৎ লানফদ্রবা কাঙলোন অমগী মতুংইন্না মফম মতম অমসুং মরম নাইনা লাইসোন তিনসোন অমদি ঈশৈগা লোয়ননা চোঙথোক চোংশিন নেৎথোক নেৎশিন তৌদুনা ফিভম ফিথুপ নাইনা নুংগী শক্তি কয়া পুথোক্তুনা থাঙ নৎত্রগা তাগা লোয়ননা চুঙগোই নৎত্রগা চুঙ পায়দুনা শাবা মহৈনি। মথক্তা পনখিবদা য়াওখিদবা থেঙ্গৌ মমিং অখাম অমসুং লৈশিৎ পনবা য়াই। লৈশিৎ কন্না খোঙনা শিৎতুনা শাবা থেঙ্গৌনি। মসিগা মতান থেংগৌগা মপুংদা অমত্তা ওইরম্বা য়াবগী মওং লৈ। অখাম খেঙ্গৌদি নিংথৌনা ফম্বাল কাবদা শাবনা য়ান্না থেঙবা মতম ফাউবদা শারম্বা য়াই। অখোম অচোই থেঙ্গৌ শা লান কায়রবদা খোমজিন্নবা থেঙ্গৌরোন অমনি।

থেঙ্গৌশিং অসি শাখিদবগী মরমদি মফম, মতম অমসুং মরম নাইবদগীনি। অসিগীসু মথক্তা থেঙ্গৌ শারিবা মীশিংনা থোইদোকপা নুংগী পাঙ্গল শীজিন্নবগী তঙায়ফদবা লৈ। অসুন্না তৌবসি কাঙলোন কায়রবদি পুনসি শাংদে হায়নবদগী মরম চাদনা পঙশা শান্নদবদগীসু ওইবা য়াই। মরুওইনা ‘‘মৈতৈগী লাইনিংদসু লৈবাক অসি য়েক্লবদগী কলহৌনবা থাঙ, তা অমসুং মন্ত্র লাইৱানা শেমগৎপা ফংই। লাল্লুপনচিংবা নৈনবদা লাইনিং অসি মিলিটরি (লান্মীগী নৎত্রগা লানগী ওইবা) গী মওং ফংই। অমরোমদা, নিংথৌ পান্দ্রবনা লৈবাক্কী ওইনা নিংথৌ পাল্লিঙৈদা পাঙথোক্লম্বদু পাঙথোকখিদবদগী থেঙ্গৌ অসি শাখিদবনা থেঙ্গৌ মুৎলকপগী মরমনি।

থেঙ্গৌ শাবদা থাঙ নৎত্রগা তা খূৎ য়েৎনা পায় ওয়না চুঙগোই নৎত্রগা চুং পায়। লাই পাখঙবগী পাফলদা তঙায়ফদনা শানৈ। থেঙ্গৌ শাবদা শোয়বা য়াদবনা লম অসিদা মতিক চারবা অমসুং হৈশিংলবা মীওইশিংতনা শান্নরম্মী। মৈতৈশিংনা লৈবাক্কী ওইনা ফগদবা য়েংদুনা লাইনিং লম্বীগা মরী লৈননা শাবনি হায়না থাজনৈ। মরম অসিমক্লা থেঙ্গৌশিং অসি শাবদা অকক্লবা মফম মতম অমসুং মরম নাইনা লৈরম্বনী। থোঙ্গৌরোন হায়বা খূৎই লাইরিক পল্লদুনা অখঙ–অহৈ অমনা অসুন্না ফোংদোকই–

"Each thengou has its own specific consequence, Thus, if akao thengou is performed properly, it gives abundance of food; nongpham thengou, the wrath of the king, lankak thengou, war and rebellion, leichi thengou calamity to the country and the death of kings; leinet thengou, place and harmony; achong thengou, desease and death; atan thengou, the longivity of the king; and leikham thengou, the welfare of the king and kingdom."

থেংগৌ শাবা য়াবা মীশকশিংদি নিংথৌগী থৱাই কনবা, শাফম–লানফমদা শেন্নদুনা লাকপা মী, শাফা লানফদা মকোক থোংলকপা মী, নিংথৌগী পজেং ফিরাল থেৎলবা মী, লৈমা নিংথৌনা য়ান্না চাল্লবা মচা নৎত্রগা মনাই, নিংথৌগী মচা মশু লৈমা নৎত্রগা সিজ লৌবা মী অসিনা মরু ওইবনি। তাঙবললোই চারবা মীওইশিংসু থেঙ্গৌ শানৈ। তাঙবললোই হায়বসি অকন অথৌদা পীবা শানফা লানফাগী অথোইবা মনা অমনি। মসি লানশিং চামা ফারবা নৎত্রগা শাশীং চামামঙা ফারবা নৎত্রগা নিংথৌগী মথৱায় কন্না শাফাবা নৎত্রগা লান্দা অতোপ্পা মায়গৈগী নিংথৌ ফাবা নত্রগা নিংথৌগী মথ্বায় কনবা অকল অথৌদা পীবা মনানি। তাংবললোইগা লোয়ননা পীরম্বা মনাদি নিংথৌফি হকচাং অমসুং খূৎক শাজোনবা, খোঙ্গ্রাই মথক মখা, খুবোময়াই শিরোনবা খুদাং য়াইচৌখুবা, খূৎশি, তানশি, খোঙশি, উরেকশেৎ নোংনিংখোই, য়েন্দুলাংমৈ, সনা লৈখম, সনালীক লীকতোম, লৌপরি য়াঙখৈ ইল্লি। শন্না তাঙবললোই অকন অথৌশিংদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা মনানি।

মরুওইবা থেঙ্গৌশিং অসি খোঙফমগী মতুংইন্না তে ঙানবা মমিং শীজিন্নরম্বা ফংই। খোঙফম মশীংগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা খুদম চাংদম লেপনৈ। ‘‘খোঙফম অমদগী তরেৎপু থেঙ্গৌলোন মচা তরেৎতগী মাপল, মাপন্দগী তরাতরেৎসু থেঙ্গৌলোন্নি। তরাতরেৎতগী কুনতরেৎ ... ... ... না থেবলোন শলাই উরি য়েৎপনি। ... ... ... কুনতরেৎ চোংলগা খোঙফম অহুম হঞ্জনববু স্বর ফীদুপ হায়না কৌই। মঙা চোংলগা মাইকৈ মরীবু হাইদোক্লা য়েংবদা উবা শোৎশক্তু লৈচিল্লোন্নী। তরেৎতগী মাপল ফাওবা স্বর চিংশল্লগা চোংববু উয়েক উতম (মীতমলেনসু) কৌই। ইশাগী খঙনবা খেল চাং য়েংবসু য়াই’’ থেংগৌ চোংবদা নিংশা কাঙলম শীজিন্নদুনা চোঙবা হৌনবীনি। খোঙফম মাপন্দগী কুনতরেৎ ফাওববু থেংগৌলোন অশুবা হায়না কৌই। তরাতরেৎতগী কুনতরেৎ ফাওবা চোংলবদি লৈচিন নোংফাইগী খেল চাংশু খঙই। চোংফম খোঙফম অদু কিশি অহুমদগী তরেৎ, মাপল, কুনতরেৎ হায়না লাইহৎলোন শোন্দুনা শিজন্নরম্মী। কিশি কুনতরেৎনা থেঙ্গৌলোন অচৌবনি। ইকাই ইকুমগীসু লাই তোঙান তোঙান্না শীজিন্নৈ। ইঙাগী হুমনী পানবা ইকাবা মেরাগী হুমনী পানবদা ইকুম্বা হায়দুনা খঙনবা লৈ, অসিসু, থেঙ্গৌ হায়না কৌই।

থেংগৌ শাবদা শেৎনিংবা ফি শেৎপা য়াদে, অকক্লবা ফিজেৎ লৈ। ফিজেৎ সুদনা শারবদি সারিবা মী অদু পুনসিদে, লৈমা নিংথৌ ফত্তে, লৈপাক ৱায়, তৌহৈদে, চাকতোন ফিতোন লোম্মী হায়বা অকনবা চৎনবী অমা লৈ। খুদম ওইনা চীংগোনথেন কাবদা নিঙখম সমজিন খুদাং য়াই, খুপোম য়াই পিরোনব, খোঙ্গ্রাই মথক মখা, লাংমৈ পুঙলেনবা মতু, লৈখাম পজেং থোনবা মথক্তা থোনবা, ফিরান নাম্মা থক্তা নাম্মা থেৎপা নিংথৌফি তাজিন সায়াং তানচপনা লৈতেংগনি। থেংগৌ শাবসু মী লৈতবা লম চীংতোঙ, লৈতোঙ, লাইফমদা শাগদবনি। অদুবু খুল্লক্তা শাবা থেঙ্গৌ খরসু য়াওই। সাবা য়াদবা মফমদা থেংগৌ সারবদি সারিবা মী অদু সোক্কনি, শাফম অদুসু খুনতাক লানসিগনি হায়বা অকনবা চৎনবী অমসু লৈ। থেঙ্গৌবু অসুক্কী মতিক লুনা খন্নৈ মদুদি মহৈ অসি হৈবা মীওইশিংনা মসিবু শাদুনা উৎলু হায়বসি হেক্তা য়াদে।

থাঙ–তাগী হৌফম ওইরিবা থেঙ্গৌ লৈবাক্কী ওইবা চাউরবা থৌদাং অমা লৌরকই হায়বসি মথক্কী ৱাফমশিং অসিনা তাকই। খুন্নাই অমা শাগৎপদা চঙবা মচলশিংগী মরক্তা থেঙ্গৌনা লৌরিবা থৌদাং অসি কুপথনা নৈনফম থোকপা লৈ। লাইনিং লাইশোনগী মতাংদা, লৈবাক ৱায়েনদা চৎনবীদা কয়ামুক লুশিন্না মনুং হঞ্জিন্দুনা লৈবগে হায়বা থিদোকপগী তঙাইফদবা লৈরবসু শন্না মসিমদি হায়বা ঙম্মী মদুদি থেঙ্গৌ মৈতৈ খুন্নাইগী লোৎশিন্দুনা লৈরম্লবা নৈনবদা লোইবা নাইরোইদবা মহৈ অমনি। তোপ তোপ্পা মতিক মঙম লৈবা মহৈনি।